HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)





ত্রোংলাওবী অমসুং গেলমোলদা অঙাং অনী য়াওনা মীওই মঙা হাৎখিবা থৌওংবু ৱাংজিং গ্রাম পঞ্চায়ট অপূনবা ক্লব ওর্গনাইজে শননা শীন্দুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা খন্ন-নৈনবদা শরুক য়াখিবশিং


থম্মোয় পাউদম : হোমকমিং অমসুং মতুং - ২৭ ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ ককর্বিটিশিংগী খুইথবী লায়না
লায়না লাক্তনবা করম্না ওকোন লূ-নান্না ... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ করিমত্তা তৌবা ঙমদ্রবদি সী এম...
য়ু এস-ইরানগী ৱারী শানবা ৱারোইশিন ফংদনা... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ মালেমগী থাক্তা মায় পাক্লবসু...


ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা পীক্লিবা অঙাং অনী হাৎখিবা অমসুং সী আর পি এফনা কাপ্পদা মীচম অহুম লৈখিদববু নুপীশিংনা ক্যামগে ময়ায় লৈকায়দা য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবা





Vol. 51, Issue No. 21 | নিংথৌকাবা, শজিবুগী ২৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, April 13, 2026, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# ইপুরোইবনা বি এস এফতা লৈদুনা ইন্দিয়া ঙাক্লিবৈদা ঐহাক্কী ইমুংদনা ইচাশিং ঙাকপীনবা কনাসু লৈরমদ্রে : বিনিতা

### ত্রোংলাওবী কেস এন আই এনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলব্রা, পুলিসনদি কোন্না অপদেট তৌরক্কে হায়না ফোঙদোরকখ্রে




ত্রোংলাওবীদা লৈখিদ্রবা অঙাং অনীগী বোম মচেৎনা পান্দুনা হোস্পিটালদা লায়কন্নরিবা অপোকপী মমা অমসুং বোম পোকখায়খিবা ইমুং (ওই)

**হুইয়েন ব্যুরো**

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুং পুং ১.০৫ রোম তারকপদা মোইরাং পুলিস ষ্টেশনগী জ্যুরিসদিক্সন মনুং চল্লিবা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা লৈবা ওইনাম মঙালঙম্বগী য়ুমদা মপাঙ্গল কল্লবা বোম কাপশিন্দুনা ইমুংদা পোকখায়হল্লগা মমানা কোল্লগা তূপ্লিবা পীক্লিবা অঙাং অনী অমসুং অঙাং অনীগী মমাবু বোম মচেৎনা পান্দুনা শোকহনবগী মনুংদা অঙাং অনী লৈখিদ্রবা মতুংদা অপোকপা মমানা হৌজিক ফাওবা রাজ মেদিসিটি হোস্পিটালদা লায়কন্নরিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা নেশনল ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সী (এন আই এ) না রেগ্যুলর কেস (আর সী) অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলব্রা নৎত্রগা লৌখৎত্রিবরা হায়বগী ৱাফম লৈখাই তাবা ঙমদ্রি।

তমথীরবা থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুংদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি থৌদোক অসিগী কেস এন আই এদা খূৎশিন্নদুনা থিজিলহল্লগনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবদা নত্তনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা এন আই এগী ওফিসতগী মরী লৈনবা ওফিসর/পর্সনেলশিং ফাওবা চৎতুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা থিজিনবা হৌরে হায়বগী ৱাফম ফাওবা লৈরিবনি।

লৈঙাক্না ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না থৌদোক অসিগী কেস অহানবদা মোইরাং পুলিস ষ্টেশনন্না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলবা ফাওবদা ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সী অসিনা থিজিন-হুমজিনবগী থবকসু হৌরুরে হায়রবনিনা এজেন্সী অসিগী মতুংইন্না ‘রেগ্যুলর কেস’ (আর সী) অমা মরী লৈনবা বি এন এস, বি এন এস এসকী মখাদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলব্রা হায়বগী খোঙ্গুল পাউচে অসিনা লীরকখিবনি।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.১৭ লোম তারকপদা পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্নদি হায়রিবা ঙসিগী পুংফম অসি ফাওবদদি ত্রোংলাওবীগী থৌদোক অসিগী মতাংদা এন আই এনা রেগ্যুলর কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎত্রি হায়বগী রিপোর্ট ফংখি। রিপোর্ট অসিগা ইরোয়ননা থেংলবদা হয়েং ফাওবগী মনুংদা রেগ্যুলর কেস অমা লৌখৎলবা য়াই হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তারকখি।

পাউচে অসিনা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউ অসি কনফার্ম তৌনবগীদমক ঙসি নুমিদাং পুং ৭.১৭ তারকপদা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা লৈবা মশক নাইবা মীওই অমদা ত্রোংলাওবীগী থৌদোক্কী মতাংদা এন আই এনা কেস লৌখৎলব্রা নৎত্রগা লৌখৎত্রিবরা হায়না হংলুবদা মীওই অসিনা ‘এন আই এনা লৌখৎলে’ হায়না পাউখুম পীরকখি।

চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতগী পাউখুম অসি ফংলবা ফাওবদা এজেন্সী অসিনা লৌখৎপা রেগ্যুলর কেসকী নম্বর অমদি মরী লৈনবা সেক্সনশিং ফংবা ঙমদবদগী ঙসি নুমিদাং পুং ৭.২৮ লোম তারকপদা মোইরাং পুলিস ষ্টেশনগী ওফিসর ইন-চার্জদগী চপ চাবা অমা খঙদোক্নবা টেলিফোন তৌথি অদুবু পাউচে অসিগী মায়কৈদগী তৌখিবা টেলিফোন পায়খৎলকখিদে।

ও সীগী মায়কৈদগী টেলিফোন পায়খৎলক্ত্রবা মতুংদা পাউচে অসিনা ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা মোইরাং পুলিস ষ্টেশনদা হকথেংননা চৎতুনা ত্রোংলাওবী থৌদোক্কী মতাংদা রেগ্যুলর এফ আই আর কেস অমা লৌখৎলব্রা, লৌখৎলগনা কেস অদুগী এফ আই আর নম্বর অমসুং সেক্সন ওফ লোশিং করি-করিনো হায়দুনা হংখি। লোয়ননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলবদি কেস অদু এন আই এদা খূৎশিন্নখ্রবরা হায়বা ৱাহংশিং হংলুবদা ওফিসর অদুনা ‘কেস অসি কনফিদেন্সিএল ওইবা মরম খরা লৈবনা এন আই এনা পায় নৎত্রগা পায়দে হায়বদা নুংঙাইত্রে, কোন্না অপদেট তৌজরক্কে’ হায়দুনা পাউখুল্লকখি।

লোয়ননা মোইরাং পুলিসনা লৌখৎপা এফ আই আর কেস অদুগী নম্বর মরী লৈনবা কোর্টতা সবমিট তৌখ্রবনিনা কোর্টলোমদগী লৌবীরো হায়নসু ফোঙদোরকখি।

...মখা লমায় ৩ কলম ২

# মোইরাং পুলিস ষ্টেশনদা কেস এফ আই আরগী কোপি পীয়ু হায়বদা পীবা ঙমদ্রে : খাইদেম মনি




**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম কাপশিন্দুনা অঙাং অনী লৈখিদবা অদুগা অঙাং অনীগী মমাবুনা অরুবা ফীভমদা শোকহনখিবা থৌদোক্কী মোইরাং পুলিস ষ্টেশনন্না লৌখৎপা কেস এফ আই আরগী কোপি পীয়ু হায়বদা মোইরাং পি এসনা পীবা ঙমদ্রে হায়রদুনা কেস এফ আই আর অমগী কোপি হায়বসিদি মীয়ামদা খঙহনগদবনি অমসুং ভিক্তিমগী ইমুংদসু খঙহনগদবনি হায়না সিটিজেন ফোর জষ্টিস, মণিপুর (সী এফ জে এম) গী চ্যেরপর্সনসু ওইরিবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনগী হান্নগী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনি (সিনিয়র এদভোকেট) না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা সিনিয়র এদভোকেটনা হায়, এফ আই আর লৌখৎপগী কোপি ফংহনবা হায়বসি সুপ্রিম কোর্টকী দিরেক্সননসু খঙহনবা লৈরিবনি। মণিপুরদদি মসিগী ওন্ন-তৈনবদা চৎথদুনা লৈরে। ঙরাং ত্রোংলাওবীদা সী এফ জে এমগী কনভিনর য়াওনা মেম্বর ১২না চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা হায়রিবশিং অসি ওন্ন-তৈননা লৈরম্বা থেংনরকপনি। মোইরাং পি এসতা এফ আই আরগী কোপি পীয়ু হায়বদা পীবা ঙম্লক্ত্রে। কেস অমগী এফ আই আর কোপি হায়বসি পব্লিক দোক্যুমেন্টনি। পুলিসনা থিজিনবগী রিপোর্টতি কোর্টনত্তনা অতৈ মফমদগী লৌবা য়াদে হায়রকপা চুম্মী অদুবু এফ আই আরগী কোপিদি ফংহনগদবনি হায়খি। ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# ত্রোংলাওবী থৌদোক্কী কেস এন আই এনা পায়রে হায়রবনিনা অথুবা মতমদা ইনভেষ্টিগেশন লোইশিনগদবনি : তরুনকুমার

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** ত্রোংলাওবীগী ইমুং অমদা বোম কাপশিন্দুনা মমাগা তূমিন্নরিবা পীক্লিবা অঙাং অনী বোম মচেৎনা পান্দুনা শোকপদগী লৈখিদবা অমসুং অঙাং অনীগী মমাবুনা শোক্তুনা লায়কন্নহনখিবা থৌদোক্কী কেস এন আই এনা পায়রে হায়রবনিনা অথুবা মতমদা ইনভেষ্টিগেশন লোইশিনগদবনি অমসুং অথুবা মতমদা চার্জশীট থাগৎপগা লোয়ননা দে টু দে বেসিসতা ত্রাইএল চথবীদুনা চেন্নবা কুকি টেররিষ্টশিংদা খ্বাইদগী অহকপা চৈরাক পীগদবনি হায়না উরিপোক অপূনবা লূপ (য়ু এ এল) গী ভাইস প্রসিদেন্ট খ্বাইরাকপম তরুনকুমার (সিনিয়র এদভোকেট) না ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ঙসি লূপ অসিনা শীন্দুনা লম্বোইখোংনাংখোঙদগী ফ্লাইওভর ব্রিদজগী মখোঙ ফাওবা ত্রোংলাওবীগী মীহাৎ য়ানীংদে, মীহাৎপা চৈরাক পীয়ু, সী আর পি এফকী মথক্তা জুদিশল ইনক্কারি চথগদবনি হায়বা খোল্লাওগা লোয়ননা চৎখিবা মীয়ামগী রেল্লিদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

উরিপোক অপূনবা লূপনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা অমিট শাহগা উন্নদুনা মণিপুরগী ফীভমগী মতাংদা খন্নখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৬ অমসুং ৭কী অহিংদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়গী ইমুং অমদা বোম কাপশিল্লক্তুনা মমাগা পূন্না তূপ্লিবা পীক্লিবা অঙাং অনী বোম মচেৎনা পানবদগী লৈখিদবা অমসুং মমানা শোক্তুনা লায়কন্নবা, থৌদোক অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা সী আর পি এফকী পোষ্টতা থোমজিল্লুবশিংদা নোংমৈ কাপথোরকপদগী মীওই ৩০ রোম শোকপগী মনুংদা মীচম অহুম লৈখিদবা অমসুং লিতানদা বি এস এফকী পর্সনেল অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা য়াওনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং মথং-মথং থোরকপদগী হৌজিক মণিপুরগী ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা উন্নদুনা খন্নখ্রে।

হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমগী দেল্লীগী খোঙচৎ অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতগী ফংবা পাউনা হায়বদা মহাক ঙসি নুমিৎয়ুংবা মমাঙদা দেল্লীগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসি মরু ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# ত্রোংলাওবী য়াওনা মফম ৬তা কম্বাইন্দ ফোর্সনা কোয়শিল্লগা ওপরেশন চথখ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংগী নোংয়াই মতুংদা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়গী য়ূম অমদা বোম কাপশিন্দুনা পীক্লিবা অঙাং অনী হাৎখিবা অমসুং অঙাং অনীগী মমাবুনা শোকহনখিবা থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা সিক্যুরিটিগী মায়কৈদগী লৌখৎলকপা মথৌ তাবা থবকশিংগী মনুং চন্না ঙসি ত্রোংলাওবী য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফম তরুক্তা কম্বাইন্দ ফোর্সনা হান্না কোয়শিল্লগা থি-হুন্বগী থবক চথখ্রে হায়রি।

ঙসি নুমিদাং থোরকপা পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমদা কোর্দোন অমসুং ছর্স ওপরেশন অদু পুলিসনা তোঙান তোঙানবা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) অমসুং আর্মিগী য়ুনিটশিংগা লোয়ননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# মালোমদা ত্রোংলাওবীগী তমথীরবা থৌদোক অমসুং মীয়ামগী খোঙজংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে




**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস):** হন্দক ত্রোংলাওবীদা পীক্লিবা অঙাং অনীবু বোম কাপশিন্দুনা হাৎখিবা অমসুং অঙাং অনীগী মমাবুনা শোকহনখিবা থৌদোক অমসুং মসিদগী খোইশাওনরবা মীয়াম্না চঙশিল্লকখিবা খোঙজংশিংগী মতাংদা ঙসি মালোম অৱাং ইবুধৌ পাখঙবা কম্যুনিটি হোলদা নোংমগী ওইবা মীয়ামগী খন্ন-নৈনবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

পিপলস এলাইএন্স ফোর পীস এন্দ প্রোগ্রেস, মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি নুংথিল পুং ১দগী হৌরদুনা নুংথিল পুং ৪ তারকপা ফাওবদা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবা মীফম অসিগী মতাংদা এলাইএন্স অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি লোংজম সঞ্জয়না হায়, য়ুনিফাইদ অমসুং দিসিপ্লিন অমদি সেন্ট্রেল লিদরশিপ অমগী মখাদা খোঙজং চঙশিনবা মথৌ তারে। কুমজা ২০২৩দগী মীয়াম্না চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি মঙম শান্দনা লৈরে। খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ মতমদা ইমোশনদা থবক ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবা কর্ফিয়ু কোমথোক্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** ত্রোংলাওবীদা অঙাং অনী হাৎখিবা, মখোয়গী মমাবুনা শোকহনখিবা অমদি পি গেলমোল পোষ্টকী সী আর পি এফ পর্সনেলশিংনা নোংমৈনা কাপ্পদা শোকখিবশিংগী মনুংদগী মীচম ৩ লৈখিদবা থৌদোকশিংবু ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## নুপী খুন্নাই মৈরা পায়বীগী কুমওন

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস):** লিৱা লক্ষ্মী বোকুল মখোঙদা লৈবা নুপী খুন্নাই মৈরা পায়বীগী ১৮লক শুবা নীংশিং থৌরম ঙসি পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট মেমচানা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# চহী ৩ ফাজিল্লক্লবা ফাওবদা লৈঙাক্না রিলিফ কেম্পতা লৈহল্লক্লিবা মশাগী চহী ১০৩ শুরবা অহল অমগী থম্মোয়গী পাউদম

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**মোটবুংদগী খুঞ্জা**

**(হান্নগী মখা...)**

মতম অমদা উয়ুং লৱাই হায়রগা খঙনরম্বা হৌজিক্তা ‘মোটবুং’ হায়রগা খঙনরক্লবা মফমদগী লাঞ্জেল্লক্তুনা লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা মণিপুর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরক্লিবা মশাগী চহী ১০৩ শুরবা লৌরিয়াম অঙৌনা পাউচে অসিদা হায়, ঐহাক উয়ুং লৱাইদা লৈরকপা চহী ফনা য়াম্লে। মফম অদুদা ঐহাক্কী ইঙ্খোল পাট্টা পান্দুনা য়ূম-কৈ শারগা ইচা-ইমৌ অমদি ইশুশিংগা লৈত-লায়রা তাথোক-তাশিন তৌদুনা য়াম্না ঈংন-চিক্না লৈজরকখিবনি অদুবু মে ৩,২০২৩দগী ফৎত্রবা লমহেল্লবা কুকিশিংগী থৌওংশিংনা ঐহাকপু রিলিফ কেম্প অসিদা অৱা-চৈনা খাঙহনবীরে।



হৌরক্লিবা লান অসিগী চৈথেংনা ঙসিদি পূন্সি লোইশিল্লক্কদৌরবা মতম অসিদা ইশাগী য়ুমদা লেঙদনা পোত্থাদুনা লৈনীংলবা মীৎকুপসিদা

লৌরিয়াম অঙৌনা মখা তানা হায়, ঐখোয়না নহা ওইরিঙৈ মতমদদি পূন্না খুন্দামিন্নরকখিবা কুকিশিং অসি য়াম্না ফরম্মী। অরৈ-লৈত অমসুং অৱা-অনা কয়া তাথোক-তাশিন তৌদুনা হিংমিন্নরকখিবনি। অদুবু ঙসিদগীনা চহী ১০মুক্কী মনুংসিদদি কুকিশিংগী ফীভম অদুক্কী মতিক অহোংবা লাক্লে। মরকসিদা কুকিনদি হায়রগা লোল-লি ফাওনদবা, ম্যান্মাররোমগী মী মানবা অমা’নিসু অদুমক খুন্দারকপা থেংনরকখি। হান্না ঐখোয়গা হৌমিন-কামিন্নরকপা কয়া অদুদি অদুক্কী মতিক পুকচেল চাওই অদুবু ঙসিগী হৌগৎলক্লিবা কুকি নহা কয়াদিসি মখোয়না খূৎলায় পায়শিল্লগা...(মথং-মথং)

# হান্নগী মিনিষ্টর মোইরাংথেম হেমন্তনা বি জে পি লৈঙাকপু হায়বা য়াবা হায়খ্রে



**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) :** ৱাংজিং তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিটুএন্সিদগী কাদুনা মণিপুর লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইরম্বা কোংগ্রেস লুচিংবা অমা ওইরিবা মোইরাংথেম হেমন্তনা বি জে পিগী লৈঙাক্তা হায়বা য়াবা হায়খ্রে।

ঙসি ৱাংজিং তেন্থা ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ফুন্দ্রে মুস্লিম খুলদা পাঙথোকপা এসেমব্লি কন্সটিটুএন্সি অসিগী পোল্লিং ষ্টেশন ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ত্রোংলাওবীগী থৌদোকপু য়ুনাইটেদ কিংদমগী মীতৈ য়াইফ লূপনা কন্দেম তৌরক্লি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ৬ অমসুং ৭কী লোন্নবা অহিংদা ত্রোংলাওবীদা চহী ৫ খক্তা ঙাইহিরবা নুপামচা অমা অমসুং থা ৫ খক্তা ঙাইহিরবী মহাক্কী মচননুপীবু বোম কাপশিন্দুনা হাৎখিবা অদুগা অঙাং অনীগী মমাবুনা ফীভম লুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ইন্টরনেটকী অথিংবা শাংদোকখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস):** ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায় অমসুং পি গেলমোল সী আর পি এফ পোষ্টতা থোকখিবা থৌদোকশিংগী মতুংদা মীয়াম হৌরকপদগী লৈঙাক্না থা অসিগী ৭কী নুংথিল পুং ২দগী অথিংবা থম্লকখিবা মোবাইল ইন্টরনেট/ ...মখা লমায় ৩ কলম ১


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫